# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Mabel Normand


Charlie Chaplin


Peggy Pearce

- চার্লিগী ফিজোল অতৈদি চাইনা ক্লেনা শাবা প্লেট অমা পায়গনি। অদুগা টুথ ব্রস অমুক্তা পিক্না শেমদোক্লবা কোই অমুবা অমা হাপকনি। অদুগা টুপি অপীকপা, চাফাৎতবা অমা অদুগা থেকথোক থেকচিন য়াবা লীচৈ অমা অসিনি। করিগুম্বদা টাই অমা পুল্লি।
- অদুগা মানা চৎলিবা শাজৎ, খোঙথাং অদুদি মানা পীল্লিঙৈদা উখিবা Rummy Binks কৌবা অহল অমগী শাজৎ অদু লৌবনি হায়জে। অহলদুনা শগোল গাড়ী ফারমদাইদা ইংলেন্দগী সড়ক অমদা উখিবদু মানা কাউদে। অহলদুগী শাজৎতু মানা মমা Hanna গী মমাঙদা মতমদুদা মতৌ তম্বদা মমানা নোক্লিংবা খাঙবদা ময়াদা ফিবুল নমদুনা খাঙখিবনি। অদুবু মীগী অশোয়বা মতৌ তমহৈদে, তৌগনু হায়না মমানা মাবু থেমজিনখি।
- অসুম্না লৈরিঙৈদা Keystone Film দা নুপী মশক ফজখ্রবী অমা চঙলক্লে। মমিংনা Mabel Normand কৌই। দাইরেক্টর Mack Sennett না পুশিল্লকপনি। মাগী চান্নবীনি। অদুগা Sennett না Mabel's Strange Predicament কৌবা ফিল্ম অমা খূৎ থাবা হৌরে। চার্লিগী লম্বা ওইরে। Mabel অসি ১৮৯২গী নবেম্বর ৯দা পোকই হায়। পিয়ানো খোংবা Claude G. Normand গী মচা ৩গী অতোনবীনি। মমাদি Irish নিংভোলনি। মমিংনা Mary Drury কৌই।
- Mabel Normand লাইরিক য়াম্না তম্লক্তে। অদুবু পাবদি য়াম্না কল্লি। শান্নরোয়নি, লমজেল য়াঙই, ইরোইবা হৈ। মপানা পিয়ানো খোংবসু তম্বীরকই। মতম খরা মোদেল ওইনা থবক তৌরকই। অদুবু ১৯১০দা মমান্নবী মোদেল Alice Joyce না মাবু ফিল্মদা লাইবক য়েংঙু হায়না মপূক্লিং থৌগৎপদগী Vitagraph Pictures তা রোল মচা মচা কূম্বা হৌরকপনি। অদুদগী Mack Sennett থেংনরুবদগী Keystone দা চঙলকপনি।
- Mabel Normand শাওং-শাবাল ফজবী, মশক ফজবী, ঙাঙথোক্লকপদা তানীংবী, ফাগী পুবী শক্তানি। Hans Koenekamp কৌবা কেমেরামেন অদুনদি মানা হেক থেংনরকপা ষ্টার পূম্বদগী Mabel না ফজবা পুমহেন হেল্লি হায়খি। মাগী মগুণদি চার্লিগুম অয়েংবশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙম্বীনি। মানা শিখ্রবফাওবা সেঞ্চুরি তঙ্খায় অমা মাবু কাউনখিদবা ফাগী পুবী নুপীনি। অদুনা মাবু মীয়াম্না Female Chaplin হায়না কৌনখি। লম্বা চাখ্রবা অনীনি।
- চার্লিগা Mabel গা ফংবদগী কেমেরামেন ১২না চয়োল অমদা ফিল্ম ৩দগী তাদনা পুথোক্লবা Keystone না হোৎনরে। Mabel's Strange Predicament ফিল্ম অসিদা চার্লিনা উৎখিবা, তৌখিবা এক্টিং মওংদু উবদা Director, Mack Sennett পুমপেন পেনখ্রে। চার্লিবু Keystone না ওন্থোক্লা য়াখ্রে।
- চার্লিনা অমুক অতোপ্পা Director, George Nicholas কৌবা চহী ৬০ শুরবা অমগী মখাদা থবক তৌরে। অনৌবা Film, His Favorite Pastime কৌবা অসিদা অনৌবা নুপী ষ্টার অমগা থেংনরে। মমিংনা Peggy Pearce কৌই। চহী ১৮ শুরে। ফিল্মদুসু মানা ফজনা কুমখি। অদুগা ফিল্ম কুম্বা মতুংগী ইহান হানবা চার্লিগী নুংশিনবী নুপীসু Peggy না ওইরে। অদুবু চার্লিনা য়ূম পানবগী ৱাখল লৈত্রিবনা নুংশিনবদু কুইখিদ্রে।
- অদুবু George Nicholas কী মখাদা লৈবদু থোইনা হেন্দোক্লা ফগৎলকপা উদবদগী Sennett না চার্লিবু লৌথোক্লে অদুগা মাগা নুংশিনবী Mabel হায়বী চার্লিগসু কুম্মিন্নরুবী নুপীদুগী Direction মখাদা অমুক চার্লিবু এক্ট তৌহল্লে। মদুমদি Sennett কী অরানবা খোঙথাং ওইখি।
- মদুদা চার্লি নুংঙাইখিদে। মঙোন্দগী য়াম্না নহা ওইরিবী নুপীদুগী Direction মখাদা এক্ট তৌবদু। অদুগী মথক্তা নুপীদুদি Stage Experience লৈবসু নৎত্রি। তৌরিবসু নুপীদুনা চার্লিগী সজেসনশিংবুসু মনাদা হাপ্তে। অদুবু মখোয়নি পাদুনা Mabel at the Wheel কৌবা ফিল্ম অদুদি নম্বা হৌরে।
- অদুবু ফিল্মদুগী সিন অমা লম্বীদা নম্বদা Mabel গা চার্লিগা মত খেন্নরকপদগী চার্লি শাউদুনা ফমদুনা লৈথোক্লে। নমদনা হল্লক্লে। মদুদা Sennett না শাউবদা লোইখ্রে। চার্লি Keystone দগী তোকপা য়ানা লৈরুরে। অদুবু নোং ঙাল্লগদি Sennett সু Mabel সু চার্লিবু হরাউ হরাউ তৌররে। মদু অতৈগী ওইরমদ্রে। নোংপোক লৈবাকশিংদগী চার্লিগী ফিল্ম মখা থারকউ হায়না দিমান্দ কয়া লাকপদগী ওইরম্লে। অদুনা Mabel at the Wheel হায়বা ফিল্মদু লোইদবা য়াদ্রে। হন্দক্তি Sennett না দিরেক্সন পীরে।
- মতাং চারিঙৈদা চার্লিনা লাউথোক্লে। মহাক মশাগী দিরেক্সন মখাদা ফিল্ম নম্বা পাম্মে হায়না। Sennett ঙকপনা লোইরে। অদুবু পৈশা থানরে। হেক ফিল্মদু চৎতবদা চার্লিনা California দুদা লাকপদগী তাঞ্জরকপা দোল্লর ১৫০০ পূম্নমক মৎপদা য়ানরে।
- হায়বগা চার্লিনা দিরেক্সন পীদুনা তৌজবা মশাগী ফিল্ম মথং মথং নম্বা হৌরে। ফিল্ম ৬ লোইরে। (১) Twenty Minutes of Love (Released on 20, April, 1914) (২) Caught in the rain (Released on May 4, 1914) (৩) Mabel's married life (Released on June 20, 1914) (৪) Laughing Gas (Released on July, 9, 1914) (৫) The Property Man (Released on August 1, 1914) (৬) The Face on the Bar Room (Released on August 10, 1914). থা খুদিংগী অমমম পুথোকপগী চাংদনি।
- মসিগী মতুংদগীদি Keystone Film Company দা লৈরিমখৈ চার্লিনা কুমখিবা ফিল্ম পূম্নমক মানা দিরেক্সন পীখ্রে। ফিচর ফিল্ম অমতংদি Sennett না দিরেক্সন পীখি। মমিংনা 'Tillie's Punctured Romance কৌই।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# নুপীশিংনা মমায় কেবদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং



থোৎপা-নৌবা হায়বসি নুপী ওইবীশিংগী নীংথিজখ্রবা মগুণনি। মকে শেম্বা হায়বসিনা নুপী ওইবীশিংগী খ্বাইদগী পামজবনি। নুপী অমনা মশাগী চহীগা য়েংনবদা য়াম্না হেন্না নৌথোক্লা উহনবা পাম্বা হায়বসিসু হৌনশানি।

লাইবক থীবদি নুপীনা মকে শেম্বদা শোইবদগী অমসুং তৌরোইদবা তৌরুবদগী ফজ-থোকপদি লায়রদনা হেন্না অহল ওইশিন্না উহনবা য়াওদবা নত্তে। কেমনবদগী কেবাক থোকই নৎত্রগা কের-কেরগা য়োং মাল্লকই হায়নবগুম নুপী ওইবীশিংনা মমায়-মমীৎ কেবদা হেক-হেক শোইগনবা মওং-মতৌ খরা মখা নৈনজরি।


ফাউন্দেসন তৈবা:- কনাগুম্বা নুপী অমনা য়াম্না কেনা থবক চথোক্লমদাইদা মমায় খুসবা উদনবনি হায়দুনা ফাউন্দেসন তৈশিন্দুনা অখুইবা মপা অদু উহনবা হেক হেক হোৎনৈ। অদুবু ফাউন্দেসন্না অখুইবা মপা অদু মেনবদি লায়রদনা থোইনা হেন্নদুম ময়েক লাবা হেনগৎলকই।

কন্সিলর:- য়াম্না হৈ-শিংনা অচুম্বা মওংদা কন্সিলর তৈরবদি মীৎপান মখাদা লৈবা য়েংবা নুংঙাইতবা শরুক কুপশিনবা ঙম্মী। য়াম্না পানা মীৎ মখাদা তৈগদবনি। খজিক্তং থানা তৈরুবদা ফজথোকপদি লায়রদনা হেন্না অহল ওইশিন্না উহনগনি।

মাস্কারা:- মসিনা পা ফজবা হেনগৎহন্দুনা মীৎকী মগুণ হাপ্পী। ৱাটরপ্রুফ মাস্করানা হেন্না পাম্না শীজিন্নৈ। অদুবু কা হেন্না তোয়না শীজিন্নরবা অমসুং নীংথিনা চামথোক্তবা তারবদি পা খাকপগা লোয়ননা কেলহনবা য়াওই। মসিনা শক হেন্না থীহন্নবগী মরম ওইরকই। মরম অদুনা মথক থংবা মীৎপান্দা আই লাইনর অমা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ।

লিপষ্টিক:- মহৌশানা নুপী ওইবীশিংনা চীনবাল য়েকপা তৈবসু অদুমক পামদুনা লাকই। অয়াম্বা মতমদা অঙাঙবা মচুগী লিপষ্টিক তৈবা পাম্বা নুপী মশীং য়াম্না লৈ। কনাগুম্বা খরদা পকচবা তারবসু মসিনা মায়থোংবু হেন্না লিনা উহল্লি। মরম অদুনা ইশা-ইশাগী উনশাগা হেন্না চূনবা মচু খনগদবনি। ইচম-চম্বা লিপ গ্লোস অমা তৈরবসু চীনবালগী ফজবা অদুমক হেনগৎহল্লি।

পীশুম কেবা:- হাইদোরকপা অহেনবা শম্না ফোইদৎতুনা পীশুম্বু লূ-নান্না উহনগদবনি। অদুবু কা হেন্না ফোইদোকপদি তৌরোই-দবনি। কা হেন্না পাবা পীশুম্না নুপী অমগী মায়থোংবু অহল ওইশিন্না উহল্লি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা য়াম্না লাইনা খঙবা ঙমলে মদুদি মায়থোং কেবদা য়ারিবমখৈ মহৌশাগী ওইবা মওং মতৌ হোংহন্দনবা হোৎনগদবনি। কাওরোইদবদি মায়-মীৎ কেরিবসি ফজবা হেনগৎহন্নবনি শক ওন্থোক্লবা নত্তে হায়বসিনি। শকফজহন্নবদি হোৎনসি, কা হেন্না য়েকশিন-তৈশিনবদি তৌরোইদবনি। করিগুম্বা কান্দা মেক-অপ অমত্তা য়াওদনা মায়গী উনশাবু নিংশা শ্বর হোন্নবগী তাঞ্জাসু পীগদবনি।




# পালহন্নিংবা মফমদা চপ চানা পালহনবা ঙম্বা স্মার্ট গন

অনৌ-অনৌবা খূৎশু-খূৎলায়শিং শেমগৎপদা মতমগী অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নরকপা মরম্না শেল চঙজরবসু থাক ৱাংবা স্মার্ট গন মথং মথং পুথোক্লরক্লি। মসিনা সিক্যুরিটিদা চাউনা তেংবংগা লোয়ননা নোংমৈগী খূৎ চুম্বা ১দি মতিক ময়াই হেনগৎহল্লে।

অদুম ওইনমক গন রাইটস এদভোকেটশিংনা অনৌবা থৌরাংশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখ্রে।

মসচসেটস গন ওনরস লীগকী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর জিম ৱালেসনা হায়খিবদা "অসিগুম্বা টেক্নোলোজি অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা থোইনা কান্নবা পীগনি হায়বা থাজদে"।

ট্রেকিং পোইন্টনা নৌনা পুথোকপা 'সুপরগন' না রাইফল অমবু অলট্রা-এক্যুরেট স্নাইপর গনগী মথৌ তৌহন্দুনা মাইল ১.৭৫ লাপ্পা টার্গেটতা ইলায় লায়না পানবা ঙমহল্লে।

"অনৌবা টেক্নোলোজি অসিগী মতেঙনা হন্টিং রাইফল অমা কাপ্পা হায়বসি পাইলোট অমনা ফায়টর জেট পাইবগা চপ মান্নহল্লে। অপাম্বা টার্গেটতা য়ামনা লায়না পালহনবা ঙল্লে" হায়না টেক্সসতা লৈবা কম্পনি ওর্ষ্টিনগী সী ঈ ও জেসন স্কোবলনা ফোঙদোকখি।

স্মার্ট গন য়ানিংবা কাঙবুনা হায়খি, "কনাগুম্বনা য়ূমদা রাইফল নৎত্রগা অতৈ নোংমৈ মখলশিং থম্বদা অনৌবা টেক্নোলোজি অসিগী মতেঙনা অশোয় অঙাম থোকপগী চাং য়াম্না হন্থহল্লগনি। কনাগুম্বা অমনা অথাপ্পা মফমদগী রিমোট কন্ট্রোল শিজিন্নরগা নোংমৈ অমবু কদায়দা লৈহৌবগে হায়বা খঙদোকপা অমসুং লোক তৌশিনবা নৎত্রগা কাপ্পা য়ারগনি।"

"করিগুম্বা কান্দা য়ূম থাদোক্তুনা অথাপ্পা মফমদা চৎপা তারবসু য়ূমদা লৈহৌরিবা নোংমৈ অদু অঙাংশিংনা পায়দুনা শান্নরিবরা নত্রগা অতোপ্পা লম্লানবা কনাগী খূৎতা তাখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙল্লগনি। অসিগুবা মখলগী খূৎলায় অসি মীপূম খূদিংমক্না পাম্ফম থোকই" হায়না মসিবু শেমগৎলিবা



কাঙবু অনী থোরকপা মশানা তাবনি।"

নোংমৈ শিজিন্নবা মীওই খরনা থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, 'মসি মমল য়াম্না তাঙবা, পুথোক পুশিন্দা লূম্বা অমসুং নীংথিনা তমদ্রবদি শিজিন্নবা হৈরোইদবা খূৎলায় মখল অমনি।'




কম্পনি- য়ার্দার্ম টেক্নোলোজিজ ইনোভেশনগী সী ঈ ও বোম ষ্টিৱার্টনা ফোঙদোকখি। কম্পনি অসিগী মার্কেটিং দিভিজনগী ভাইস প্রসিদেন্ট জিম স্কোফনা হায়খি, "অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎপদা য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা

অমরোমদা ৱাফম অসি কল্লদু য়ু এস ওফিসল অমনা হায়খি, অনৌবা টেক্নোলোজি অসিদা নেটৱর্ক ট্রেক্কিং স্কোপ অমদি বোলিষ্টিক কম্প্যুটর য়াওবা মরম্না পালহন্নিংবা মফমদা লায়না পালহনবা ঙমগনি। মতম অমদা ইরাক অমসুং আফগানিষ্টান্দা মথৌ তৌরম্বা হৌজিক্না থবক্তগী পোত্থারবা য়ু এস মেরিন কোরগী ওফিসর স্কোফনসু লালহৌবশিং লাকশিনবদা অনৌবা খূৎলায় অসিনা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি স্মার্ট গনগী মতম ওইরে মসিনা খূৎ চুম্বা চুমদবগী খেন্নবা লৈতনা পালহন্নিংবা টার্গেটতা লায়না পালহনবা ঙল্লগনি।

য়ু এস গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগা খন্নবগী থাক্তা লৈরিবা টেক্নোলোজি অসি অথুবা মতমদা কৈথেলদা থাদোক্তুনা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি।

# থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- ঐখোয়গী মীৎ অনীসি পোকপদগী চাউবা শুকহেন হেনগৎতে অদুবু নাকোংগা-নাতোনগদি নোংম-নোংমগী চাউবা হেনগৎলকই।
- বার্বি দোলগী অশাংবা মমিং বার্বরা মিলিসেন্ট রোবর্টস কৌই।
- মোনালিসাগী পীশুম য়াওদে।
- ককচেংনা মপুন্সিদা তূমদে।
- থা-না কোকথক্তা চপ চানা থোকপা মতমদা ঐখোয়গী হকচাংগী অরুম্বা খরা খজিক হন্থগনি।
- টেলিফোন পুথোকখিবা অলেকজেন্দর গ্রহম বেলনা মপুন্সিদা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মমাদা অমুক্তা ফাওবা ফোন তৌখিদে। মরমদি মখোয় অনীমক মনা পঙই।
- ইংলিস লোলদা "আই এম" হায়বসি খ্বাইদগী তেনবা মপূং ফাবা ৱাহৈ পরেংনি।
- অঙাং খূদিংমক পোক্লকপা মতমদা খূ-কাং য়াওরক্তে।
- '২ হেপ্পি বর্থদে" হায়বা ঈশৈ অসি কোপিরাইট তৌখ্রবা ঈশৈনি।
- কুরাকশিংনা মখোয়গী মখোঙনা মহাউ তংই।
- মীৎ পাঙনা-পাঙনা হাকথি খনবা ওইথোক্লোই।
- মমিং চৎলবা লাইয়েকপা লিওনার্দো দা ভিন্সিনা কাতি পুথোক্লম্বনি।
- শা পূম্নমক্কী মরক্তা চোংবা ঙমদবসি শামু মথন্তনি।
- কোন্টিনেন্ট পূম্নমক্কী মমিংগী অহৌবা ময়েক্না অরোইবগা চপ মান্নে।
- "দি কুইক ব্রাউন ফোক্স জম্পস ওভর দ লেজি দোগ" হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিদা ইংলিশ লোনগী ময়েক পূম্নমক লোইনা শুনা য়াওরে।
- পুৱারীদা খ্বাইদগী তেনবা লান অসি জঞ্জিবর অমসুং ইংলেন্দনা কুম ১৮৯৬ তা শোক্লখিবা লান অদুনা ওইরে। মিনিট ৩৮ গী মতুঙদা জঞ্জিবরনা ইংলেন্দদা খূৎ থাংগৎতুনা চঙজখি।
- হকচাংদা য়াওবা খ্বাইদগী কনবা মশল অসি 'লৈ' নি।
- মীওইবনা মশা মথন্তা শ্বর থিংলগা শিজবা শুকঙম ঙমলোই।
- পৈশা অসি 'চে' না শেম্বা নত্তে, মসি লশিংনা শেম্লকপনি।
- চোকলেট পীজবদা হূই শিবা য়াই। মরমদি চোকলেটতা য়াওবা থিওব্রোমিননা হূইগী হার্ট অমসুং নর্ভস সিষ্টেমদা অকায়বা পী।
- মীওইবগী মতৌগুম হূই অমদি হৌদোংশিংসু ওয়না কোৎপা নৎত্রগা য়েৎনা কোৎপা লৈ।
- চার্লি চেপ্লিন খ্বাইদগী মানবা মীওই খনবগী অথোই অহেন তান্নবদা চার্লি চেপ্লিন মশানা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।
- পব্লিক লাইব্রেরিশিংদগী খ্বাইদগী য়াম্না হুরানখিবা লাইরিক্কী রেকোর্দ অসি 'গিনিস বুক ওফ ৱর্ল্ড রেকোর্দনা ওইরি।
- 'অনকোপিরাইটেবল' হায়বসিদা ইংলিসকী ময়েক অমত্তা হঞ্জিন্না য়াওদে।
- মঙালগী অয়াঙবা অসি নোংগী অয়াঙবদগী মিলিয়ন ১৮ রোম হেল্লি।
- অচৌবা ঈরোলনুংদা লৈবা ওক্টোপস হায়না খঙনবা থৱায় পানবা কাঙলুপ অসিগী থম্মোয় অহুম পাল্লি। কংগারুশিংগীনা মপান থোকফম অহুম পাল্লি।
- ফিদেল কেষ্ট্রোগী মচানুপাশিংগী মরক্তগী অহুম- অলেক্সিস, অলেকজেন্দর অমসুং অলেজেন্দ্রো অসি মালেমদা অফাওবা মীশক অমা ওইখিবা 'অলেকজেন্দর দ গ্রেট' কী মমিং লৌরগা থোনখিবনি।
- মালেমদা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০ রোমদি মশাগী অহানবা মপোক নুমিৎ য়ৌনা পুন্সিখিদে।
- "টাইম" হায়বা ৱাহৈ অসিনা ইংলিস লোন্দা খ্বাইদগী তোয়না শিজিন্নবা নাওননি।
- মালেমদা হৌজিক লৈরিবা অপুনবা ফোটোগ্রাফশিংগী চাদা ১০ রোমদি হৌখিবা থা ১২ গী মনুংদা নমখিবনি। কুমজা ১৮৩৮ দগী ১৯৬০ ফাওবগী মনুংদা নমখিবা ফোটোগ্রাফ তঙ্খায় অমা হেন্না অঙাংশিংগীনি।
- মীওই অমনা মপুন্সিদা মখোঙনা চৎলিবসি পুল্লপ পাশিল্লবদি মালেম্বু অহুল্লক কোয়না চৎপগা মান্নগনি।
- মালেমগী খোঙজেল মতুং ইন্না ইমুং খুদিংমক্তা কম্প্যুটর থম্নরে। নোংমখক্তদা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা ইন্টরনেটকী সিক্যুরিটি কোদ টাইপ তৌবদা চঙলিবা মতম অসি পুল্লপ পুনশিল্লবদি পুং ৫০০,০০০ রোম ওইগনি।
- ওক্সফোর্দতা নমখিবা ইহান হানবা লাইরিক অদুগী অহানবা লামায়দা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওখি।
- মালেম (অর্থ) না নুমিৎকী অকোয়বদা কোয়না চৎলি হায়বা ৱাফম অসি অচুম্বা ওইবা তারবসু রসিয়ন মচা শরুক অহুম থোকপগী অমরোম্নদি নুমিৎনা মালেমগী অকোয়বদা চৎলি হায়না থাজৈ।
- আমেরিকা মচা চাদা ৪৬ রোম্না মালেম অসি চহী ১০,০০০ শুদ্রি হায়না থাজৈ। হায়রিবা মীওইশিং অদু ইবা পাবা ঙমদে।
- আর্জেন্টিনা অসি মালেমগী নিপালশুবা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক্নি। জ্যু মশিং য়াম্না খুন্দাবদসু মালেমগী ওইনা নিপালশুবদা লৈ।
- ইটলিগী খ্বাইদগী চাউবা বিজনেসতি মাফিয়ানি। মসিদগী চহী অমদা দোলর বিলিয়ন ১৭৮ তানবা ঙম্মী। মসি গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) গী চাদা ৭ নি।
- ইটলিগী খোঙউপ শাবা মীওই অমখক্না য়ু এস প্রসিদেন্ট জোর্জ দব্লিয়ু বুশ অমসুং ইরাকি প্রসিদেন্ট সদাম হুসেনগী খোঙউপ মখুৎমক্না শাখিবনি।
- হিটলরগী বঙ্কর শাখিবা নুপী অদুগী মশুনুপানা সদাম হুসেনগী বঙ্কর দিজাইন তৌখিবনি।
- চর্চিলগী অরোনবা বঙ্কর নেসদেনদা লৈরম্মী। মফমদু অসুক্কী মতিক অকিবগী মশক ফংই মদুদি মহাক্না মফমদুদা অমুরক্তগী হেন্না চৎখিদে।
- হেরো স্কুলদা অহানবা চহীদা তম্লিঙৈদা ৱিন্সটন চর্চিল অসুক্কী মতিক লাইরিক ফৎলমদে মদুদি ইগজামদা মহাক্না মমান্নবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মমৈ ইথং থংনা লাকখি।
- মালেমদা ফাওরবা আইরলেন্দগী শৈরেং ইবা ব্রেন্দন বেহান অসি মশাগী চহী নিপাল শুরক-পদগী য়ুদা লাইচুরবা মীশক অমা ওইরকখি।
- মমিং চৎলবা লাই য়েকপা লিওনার্দো দা ভিন্সিনা মোনা লিসা য়েকপদা চহী ১৫ চঙখি।
- কুমজা ১৯১১ দা মোনা লিসা হুরানখিবগী মতাংদা চিংনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা পিকাসোসু অমনি।
- কুমজা ১৯৩৮ দা টাইমস মেগজিনগী "মেন ওফ দ ইয়র" তাখিবা মীশক এদোল্ফ হিটলরনি।

